

নঙাই স্পোর্টস



যুরোকপ বাস্কেটবোল টুর্নামেন্টকী মনুং চন্না শান্নখিবা মকোক থোংবা ১৬কী অনিশুবা রাউন্দ মেটচতা ৭৮–৬৬তা থোইখিবা পার্টিজানগী নিকোলা জানকোভিচনা (য়েৎ) অলবাগী বেনেট হুনগা লম্বা তৌনখিবা

যুএইদা চথরিবা এএফসি এসিয়ন কপকী মনুং চন্না শান্নখিবা গ্রুপ ইগী মেটচ অমদা গোল ২–০দা মায়থীখিবা লেবাননগী হাসন মাটোকনা কটারগী মায়োক্তা মহাক্কী তৌবা ঙম্বশিং উৎনবা হোৎনবা

## অষ্ট্রেলিয়ন ওপন ২০১৮

# নোভাক জোকোভিচ অমদি সাইমোনা হালেপনা মকোক থোংবা সিদ ফংখ্রে

এজেন্সি

মেলবোর্ন, জানুৱারি ১০ঃ নুপা অমসুং নুপীগী টেনিসতা মালেমগী মকোক থোংবা মফম কল্লিবা সর্বিয়াগী নোভাক জোকোভিচ অমদি রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা মথং চয়োলদগী হৌগদৌরিবা সিজনগী অহানবা গ্রান্দ স্লাম ইভেন্ট অষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী মকোক থোংবা সিদ ফংখ্রে অদুগা মেজর টাইটল ২৪রক শুবা ওইনা লৌদুনা মার্গরেট কোর্টকী রেকোর্দকা মান্নহন্নবা অকনবা মিৎয়েং থল্লিবী য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী সেরেনা ৱিল্লিয়মসতি নুপীগী সিঙ্গলসতা ১৬ শুবা সিদ কনখ্রে।





জোকোভিচকী মথংদা স্পেনগী লিজেন্দ রফেল নদাল, স্বিসকী ভেটরান রোজর ফেদরর অমদি অহানবা গ্রান্দ স্লাম টাইটল লৌনবা হোৎনরিবা জর্মনগী অলেকজেন্দর জেরেভনা মথংশিংনা অনিশুবদগী মরিশুবা সিদ ফাওবগী মফম কল্লি। জোকোভিচসু ফেদররগুম টুর্নামেন্ট অসি নিংথৌকাবা নুমিৎতগী মেলবোর্ন পার্কতা হেক হৌবগা অষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী টাইটল রেকোর্দ ওইনা তরেৎলক লৌদুনা পুৱারি শেম্ন বা মিৎয়েং থল্লিবনি। অদুবু হৌজিক ফাওবদা গ্রান্দ স্লামগী ক্বার্টর–ফাইনেল পল লাহোকপা ঙমদনা লৈরিবা নেক্স জেনেরেসনগী টোর্চ বিয়রর জেরেভনা মকোক থোংবা প্লেয়র অহুম অসিবু চপ চানা শীংনরক্কনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থম্মরি।

মালেমগী মঙাশুবা মফম কল্লিবা আর্জেন্টিনাগী জ্বান মার্টিন দেল পোট্রোনা অশোকপা নংদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াররোইদবনা সাওথ অফ্রিকাগী কেভিন এন্দর্সননা মঙাশুবা অদুগা মমাঙ চহিগী ফাইনেলদা মায়থীহৌখিবা ক্রোসিয়াগী মরিন সিলিচনা তরুকশুবা সিদ কল্লগনি।

মদুগী মখা থাবা সিদশিংদনা অষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থেম, জপানগী সুপরষ্টার কৈ নিশিকোরি, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী জোন ইস্নর, রসিয়াগী কারেন খচানোভ, ক্রোসিয়াগী বোর্না কোরিচ, ইটালিগী ফাবিও ফোগনিনি, বৃটেনগী কেল এদমন্দ, গ্রীসকী ষ্টেফানোস টিসিটসিপাস, রসিয়াগী দানিল মেদভেদেভ, কনাদাগী মিলোস রাওনিখ, ইটালিগী মার্কো সেসিনাটো, আর্জেন্টিনাগী দৈগো স্বার্জমেন, জোর্জিয়াগী নিকোলোজ বাসিলাশভিলি, বুজেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিট্রোভ, বেলজিয়মগী দেভিদ গোফিন, স্পেনগী রোবর্টো বাওটিষ্টা অগুট, স্পেনগী পাব্লো কারেনো বুষ্টশ, সাওথ কোরিয়াগী সুং য়োন, কনাদাগী দেনিস শপোভালোভ, স্পেনগী ফর্নান্দো ভর্দাস্কো, অষ্ট্রেলিয়াগী চহি নৌরিবা এলেক্স দি মিনোর, ফ্রান্সকী লুকাস পোল্লি, ফ্রান্সকী গিল্লেস সাইমন, ফ্রান্সকী গেল মোনফিলস, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ষ্টিভ জোন্সন অমসুং জর্মনগী ফিলিপ কোলট্রেবর লৈরি।

সাইমোনা হালেপনা মালেমগী মকোক থোংবা মফম কনখিবদগী নুপীগী সিঙ্গলসতা মকোক থোংবা সিদ ফংখ্রবসু অশোকপনা মরম ওইদুনা থা মরিগী মনুংদা শুপ্নগী মেটচ অমখক শান্নরগা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াগদৌরি। মমাঙ চহিগী রন্নর–অপ হালেপনা অশোকপা নংলুরবা মতুং মহাক্কী অহানবা টুর্নামেন্ট ওইখিবা সিদনি ইন্টরনেসনেলগী হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা অহানবা রাউন্দগী পল ফাওবা লাহোকপা ঙমখিদে।

দিফেন্দিং চেম্পিয়ন দেনমার্ককী কেরোলিন ৱোজন্যাক্কিনা জর্মনগী এঞ্জেলিগ কর্বরদগী মফম অমা মখা থারগা অহুমশুবা সিদ ফংখ্রে অদুগা য়ুএস ওপনগী চেম্পিয়ন জপানগী নাওমি ওসাকানা মরিশুবা অমদি সিদনি ইন্টরনেসনেলদা য়াম্না ঙন্না মপান থোকখিবী য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী স্লোন ষ্টেফেন্সনা মঙাশুবা সিদ কল্লি।

মদুগী মখা থাবদনা য়ুক্রেনগী ইলিনা এসভিটোলিনা, চেখ রিপব্লিককী কেরোলিনা প্লিশকোভা, চেখ রিপব্লিককী পেট্রা কেভিটোভা, নেদরলেন্সকী কিকি বর্টেন্স, রসিয়াগী দারিয়া কসাটকিনা, বেলারসকী অরিনা সবালেনকা, বেলজিয়মগী ইলিস মর্টেন্স, লাটভিয়াগী অনাষ্টাসিজা সেভাষ্টোভা, জর্মনগী জুলিয়া জোর্জেস অমসুং অষ্ট্রেলিয়াগী এস্লি বার্টিনা তরুকশুবদগী ১৫ শুবা সিদ ফাওবা কল্লি।

অদুবু কুমজা ২০১৭তা অরোয়বা ওইনা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবী য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা নুপীগী সিঙ্গলস দ্রোদা বুকমেকরশিংগী ফেবরাইট ওইনা লৈরি। মশাগী চহি ৩৭ শুরবী সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা টুর্নামেন্ট অসিদা ১৬ শুবা সিদ ফংখ্রবসু মসিগুম্বা নম্বর অসিনা মহাক্কী মায় পাকপগী থোইদোক্লা মরু ওইদে হায়বসি মমাঙদা কয়ারক হন্না উৎখ্রবনি।

সেরেনাগী মখাদনা য়ুএসকী মেদিসন কিজ, স্পেনগী গার্বাইন মুগুরুজা, ফ্রান্সকী কেরোলিন গার্সিয়া, ইষ্টোনিয়াগী অনেট কোন্টাভিট, চাইনাগী ক্বিং ৱাং, লাটভিয়াগী জেলেনা ওষ্টাপেনকো, স্পেনগী কার্লা স্বারেজ নভারো, য়ুক্রেনগী লেসিয়া সুরেনকো, রোমানিয়াগী মিহেলা বুজার্নেস্কু, স্লোভাকিয়াগী দোমিনিকা সিবুল–০কোভা, ইটালিগী কামিলা জিওর্জি, টাইপৈগী সি সু ৱৈ, ক্রোসিয়াগী দোন্না ভেকিচ, রসিয়াগী মারিয়া শরাপোভা, ক্রোসিয়াগী পেট্রা মার্টিচ অমসুং চেখ রিপব্লিককী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভা লৈরি।

## নোভাক জোকোভিচনা অহানবা রাউন্দদা ক্বালিফাইয়রগা, দিফেন্দিং চেম্পিয়ন রোজর ফেদররনা ইষ্টোমিনগা মায়োক্নরগনি

এজেন্সি

ন্যু দিল্লি, জানুৱারি ১০ঃ মথং চয়োলদগী হৌগদৌরিবা সিজনগী অহানবা গ্রান্দ স্লাম ইভেন্ট অষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী দ্রো শগোলশেল নুমিৎতা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা মালেমগী মকোক থোংবা মফম কল্লিবা সর্বিয়াগী নোভাক জোকোভিচনা অহানবা রাউন্দদা ক্বালিফাইয়র অমগা মায়োক্নদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী রেকোর্দ ওইনা তরেৎলক শুবা টাইটল লৌনবগী খোঙচৎ হৌদোক্লগনি।



জোকোভিচনা মমাঙ চহিগী অনিশুবা তঙ্খায়দা কা হেন্না নিংথিজরবা পর্ফোমেন্স পীখিবদগী জুন থাদা মালেমগী মকোক থোংবা ২০গী মপান্দা লৈরম্লবসু ৱিমব্লেদন অমদি য়ুএস ওপনগী টাইটল থংনা–থংননা লৌদুনা নবেম্বর থাদা মালেমগী মকোক্তা অমুক হল্লকখি। জোকোভিচনা হৌজিক ফাওবদা মশক খঙদ্রিবা ক্বালিফাইয়র অমগা লম্বা তৌনরবা মতুং অনিশুবা রাউন্দদনা ফ্রান্সকী জো ৱিলফ্রেদ সোঙ্গাগা থেঙ্গাইনরবা য়ানা লৈরি।

মেলবোর্নকী তরেৎলক শুবা টাইটল লৌনবা হোৎনগদৌরিবা অহুমশুবা সিদ দিফেন্দিং চেম্পিয়ন স্বিসকী রোজর ফেদররদি অহানবা রাউন্দদা মালেমগী ৯৯ শুবা মফম কল্লিবা উজবেকিষ্টানগী দেনিস ইষ্টোমিনগা লম্বা তৌনরবা মতুং সেমি–ফাইনেলদনা অনিশুবা সিদ স্পেনগী রফেল নদালগা মায়োক্নরবা য়ানা লৈরি।

নদালসু অহানবা রাউন্দদা অষ্ট্রেলিয়াগী জেমস দকৱর্থকা, মরিশুবা সিদ অলেকজেন্দর জেরেভনা স্লোভেনিয়াগী অলজাজ বেদিনগা অদুগা মমাঙ চহিগী রন্নর–অপ ক্রোসিয়াগী মরিন সিলিচনা অষ্ট্রেলিয়াগী বর্নাদ টোমিককা লম্বা তৌনরগনি।

অতোপ্পশিংগী মরক্তনা অষ্ট্রেলিয়াগী নিক কির্গোসনা ১৬ শুবা সিদ কল্লিবা কনাদাগী মিলোস রাওনিখকা মায়োক্নদুনা মদুদগী মায় পাক্লকপা প্লেয়রনা অনিশুবা রাউন্দদা স্বিসকী ষ্টেন বাবরিনকা নত্রগা লাটভিয়াগী অর্নেষ্ট গুলবিসকা লম্বা তৌনগনি। গ্রান্দ স্লামগী চেম্পিয়ন অহুন্নক ওইখ্রবদা নত্তনা হান্না মালেমগী মকোক থোংবা মফম কল্লন্বা বৃটেনগী এন্দি মরেসু অহানবা রাউন্দদা ২২ শুবা সিদ স্পেনগী রোবর্টো বাওটিষ্টা অগুটকা মায়োক্নদুনা মহাক্কী খোঙচৎ হৌদোক্কনি।

নাকল অমরোমদনা, অষ্ট্রেলিয়ন ওপনদা মহাক্কী ২৪রক শুবা গ্রান্দ স্লাম টাইটল লৌদুনা অষ্ট্রেলিয়াগী মার্গরেট কোর্টকী রেকোর্দকা মান্নহন্নবা অচেৎপা পান্দম থল্লিবী য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী সেরেনা ৱিল্লিয়মসতি নুপীগী সিঙ্গলসতা অরুবা দ্রোদা তাদুনা অহানবা রাউন্দদা জর্মনগী টাটজানা মারিয়াগা মায়োক্নরগনি।

মসিদসু নত্তনা মেলবোর্নগী নিপানলক শুবা ট্রোফি থাঙ্গৎনবা হোৎনরিবী সেরেনা ৱিল্লিয়মসনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলদা মালেমগী মকোক রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপকা অদুগা মদুদা মায় পাক্লগনা ক্বার্টর–ফাইনেলদা চেখ রিপব্লিককী কেরোলিনা প্লিশকোভাগা অমুক থেঙ্গাইনবগী ফিবমদা লৈরি। পুম্নমক অসিগী মাঙওইননা চাইনাগী ৱাইল্ড কার্ড পেং শুই নত্রগা কনাদাগী য়ুজিন বোচার্দনা অনিশুবা রাউন্দদা সেরেনাগা লম্বা তৌনরবা য়ানা লৈরি।

সাইমোনা হালেপসু অহানবা রাউন্দদা ইষ্টোনিয়াগী কাই কানেপিগা মায়োক্নদুনা হৌখিবা অগষ্ট থাগী য়ুএস ওপনদা অহানবা রাউন্দদা মায়থীহৌখিবগী চপ চাবা লমন খুম্নবা হোৎনগদৌরি। হালেপনা খুদোংথীনিংঙাই ওইরবা মহাক্কী অহানবা রাউন্দ অদু মায় পাকপা ঙম্লবদি অহুমশুবা রাউন্দদা মশাগী চহি ৩৮ শুরবী য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ভেটরান ভেনস ৱিল্লিয়মসকা থেঙ্গাইনরবা য়ারি।

দিফেন্দিং চেম্পিয়ন অমদি অহুমশুবা সিদ দেনমার্ককী কেরোলিন ৱোজন্যাক্কিসু অহানবা রাউন্দদা বেলজিয়মগী অলীন ভান উটভাঙ্ককা লম্বা তৌনরবা মতুং অহুমশুবা রাউন্দদনা কুমজা ২০০৮গী চেম্পিয়ন রসিয়াগী মারিয়া শরাপোভাগা মায়োক্নরবা য়ারি।

কুমজা ২০১৬কী চেম্পিয়ন অমদি অনিশুবা সিদ জর্মনগী এঞ্জেলিগ কর্বরসু স্লোভেনিয়াগী পোলোনা হর্কোগকা লম্বা তৌনদুনা মহাক্কী খোঙচৎ হৌদোক্লবা মতুং সেমি–ফাইনেলদনা ৱোজন্যাক্কিগা থেঙ্গাইনরবা য়ানা লৈরি।

য়ুএস ওপনগী চেম্পিয়ন জপানগী নাওমি ওসাকাসু পোলেন্দগী মাগদা লিনেটকা মায়োক্নদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী খোঙচৎ হৌদোক্লবা মতুং অনিশুবা রাউন্দদনা অষ্ট্রেলিয়াগী দারিয়া গাভরিলোভাগা লম্বা তৌনরবা য়ারি।

**মরিন সিলিচ কুয়োংদা মখা তানা মায় পাকখ্রে** – নাকল অমরোমদনা, মেলবোর্নদা চথরিবা কুয়োং ক্লাসিককী শগোলশেল নুমিৎতা শান্নখিবা অনিশুবা রাউন্দ মেটচতা মায় পাকখিবদগী মমাঙ চহিগী অষ্ট্রেলিয়ন ওপন ফাইনেলিষ্ট ক্রোসিয়াগী মরিন সিলিচনা চহি অসিগী ইদিসনগীদমক শেম শারিবা মহাক্কী খোঙচৎ অদু হেন্না কনশিনখ্রে। মালেমগী তরেৎশুবা মফম কল্লিবা সিলিচনা সাওথ অফ্রিকাগী কেভিন এন্দর্সনবু অহানবা রাউন্দদা মায়থীবা পীরমখ্রবা মতুং স্পেনগী ফর্নান্দো ভর্দাস্কোবুসু ৬–৪, ৬–৪দা খুদুম চনশিন্দুনা অনিশুবা রাউন্দগী পল মায় পাক্লা লাহোকখি।

অতোপ্পশিংগী মরক্তনা অমেরিকাগী জেক সোকতি কনাদাগী মচিন তুমখৎলক্লিবা দেনিস শপোভালোভকী মখুৎতা ৬–২, ৩–৬, ১০–৭তা মায়থীদুনা টুর্নামেন্ট অসিদগী য়াম্না ঙন্না মপান থোকখ্রে। মশাগী চহি ১৯খক ঙায়রিবা শপোভালোভনা চয়োল অসিগী ওকলেন্দদা অহানবা রাউন্দদা মায়থীখ্রবা মতুং কুয়োং দ্রোদা অথেংবা এন্ট্রি ওইনা শরুক য়াখিবনি।

**প্রজনেশসু অষ্ট্রেলিয়ন ওপনগী মেইন দ্রো নকশিনখ্রে** – নাকল অমরোমদনা, ফোর্ম তানা লৈরিবা ইন্দিয়াগী টেনিস প্লেয়র প্রজনেশ গুন্নেস্বারননা অষ্ট্রেলিয়ন ওপন ক্বালিফাইয়রগী শগোলশেল নুমিৎতসু অমুক হন্না ষ্ট্রেট সেটতা মায় পাকখিবদগী অহানবা ওইনা গ্রান্দ স্লামদা শরুক য়ানবগী পন্থুং কা হেন্না নকশিনখ্রে অদুগা অঙ্কিটা রাইনা অমসুং রামকুমার রমানাথনদি মখোয়গী তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা মায়থীদুনা ক্বালিফাইয়িংদগী মপান থোকখ্রে।

তরুকশুবা সিদ কল্লিবা প্রজনেশনা নুপাগী অনিশুবা সিঙ্গলস ক্বালিফাইয়িং রাউন্দ মেটচতা স্পেনগী এনরিকে লোপেজ পেরেজবু ৬–৩, ৬–৩দা খুদুম চনশিন্দুনা মথংগী রাউন্দদা মালেমগী ১৯২ শুবা মফম কল্লিবা জপানগী য়োসুকে ৱটানাকিগা লম্বা তৌননবা শেম শাখি। মালেমগী ১১২ শুবদা লৈরিবা প্রজনেশনা করিগুম্বা ইরাই নুমিৎকী মেটচ অদুদা মায় পাক্লবদি গ্রান্দ স্লামগী মেইন দ্রোদা অহানবা ওইনা শরুক য়াবগী খুদোংচাবা ফংলগনি।

মালেমগী ১৩২ শুবা মফম কল্লিবা রামকুমার রমানাথনদি জর্মনগী রুদোল্ফ মোলেক্করগী মখুৎতা ৭–৫, ৫–৭, ৬–৭ (৬)তা অদুগা নুপীগী সিঙ্গলসতনা এসিয়ন গেমসকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট অঙ্কিটা রাইনানা ২৯ শুবা সিদ কল্লিবী স্পেনগী পাওলা বাদোসা জিবর্টকী মখুৎতা ৬–৪, ২–৬, ৪–৬তা মায়থীখি।

## মেরি কোম এআইবিএ রেঙ্কিংদা মালেমগী মকোক থোংখ্রে

এজেন্সি

ন্যু দিল্লি, জানুৱারি ১০ঃ মালেমগী মমিং লৈরবী মনিপুরগী বোক্সর এমসি মেরি কোমনা ৱার্ল্ড টাইটল তরুক্লক শুবা লৌদুনা অনৌবা পুৱারি অমা শেমখিবদগী ইন্টরনেসনেল বোক্সিং এসোসিয়েসনগী (এআইবিএ) খ্বায়দগী নৌবা ৱার্ল্ড রেঙ্কিংদা মকোক থোংবা মফম কনখ্রে।



মেরি কোমনা হৌখিবা নবেম্বর থাগী ন্যু দিল্লিদা কেজি ৪৮ কাঙলুপকী মকোক থোংবা মফম কনখিবদগী ৱুমেন্স ৱার্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্সকী ফম্বাক্তা খ্বায়দগী মায় পাকপী বোক্সর ওইখি। এআইবিএনা থোকখিবা খ্বায়দগী নৌবা রেঙ্কিংদা মেরি কোমনা অপুনবা পোইন্ট ১৭০০ ফংদুনা কেজি ৪৮ কাঙলুপকী মকোক থোংবা মফম কনখি।

ওলেম্পিক গেমসতা কেজি ৪৮গী কাঙলুপ য়াওদবনা মশাগী চহি ৩৬ শুরবী মেরি কোমনা কুমজা ২০২০গী জপাননা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিয়ো ওলেম্পিক গেমসতা শরুক য়ানবগীদমক কেজি ৫১দা ওনখৎপগী মথৌ তারিবনি। মচা অহুমগী মমা অমদি রাজ্য সভাগী মেম্বর অমসু ওইরিবী মেরি কোমনা মমাঙ চহিদা কা হেন্না শীংথানিংঙাই ওইরবা পর্ফোমেন্স পীখিবদগী এপ্রিল থাগী গোল্ড কোষ্ট কম্মনৱেল্থ গেমস অমসুং পোলেন্দগী টুর্নামেন্ট অমদা গোল্ড মেদল লৌখিবদা নত্তনা বুজেরিয়াদা পাঙথোকখিবা লেমজনিংঙাই ওইরবা ষ্ট্রাঞ্জা মেমোরিয়েলদসু সিলভর মেদল অমা ফংখি।

অতোপ্পা ইন্দিয়ন বোক্সরশিংগী মরক্তনা পিঙ্কি জঙ্গ্রানা কেজি ৫১ কাঙলুপকী লিষ্টতা নিপানশুবা মফম কনখ্রে অদুগা এসিয়ন সিলভর মেদলিষ্ট মনিশা মোনসু কেজি ৫৪ কাঙলুপ্তা চপ মান্নবা মফমদা লৈখ্রে।

হান্নগী ৱার্ল্ড সিলভর মেদলিষ্ট সোনিয়া লাথরদি মমাঙ চহিদা নীংবা কায়খিবগা লোয়ননা জকার্টা–পালেম্বাং এসিয়ন গেমসতা মেদল অমত্তা ফংবা ঙমখিদ্রবসু কেজি ৫৭ কাঙলুপকী অনিশুবা মফম কনখ্রে অদুগা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা নেসনেল চেম্পিয়ন ওইখিবী ৱার্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্সকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট সিম্রঞ্জিৎ কোরসু কেজি ৬৪ কাঙলুপ্তা মরিশুবা মফম কনখ্রে। কেজি কাঙলুপ অসিমক্তদা শান্নরিবী মনিপুরগী লাইশ্রম সরিতানা ১৬ শুবদা লৈরি।

ইন্দিয়া ওপনগী গোল্ড মেদলিষ্ট অমদি ৱার্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্সকী ব্রোঞ্জ ৱিন্নর অসামগী লবলিনা বোর্গোহেনসু কেজি ৬৯ কাঙলুপ্তা মঙাশুবা মফম কল্লি।

নুপা বোক্সরশিংগী রেঙ্কিংদি হৌজিক ফাওবা এআইবিএনা অপদেট তৌদ্রি।

## শরথ কমলনা ৯লক শুবা নেসনেল টাইটল লৌদুনা রেকোর্দ থুগাইখ্রে

এজেন্সি

কট্টক, জানুৱারি ১০ঃ হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎ কট্টকতা শান্নখিবা নেসনেল টেবল টেনিস চেম্পিয়নশিপ্সকী ফাইনেল মেটচতা ভেটরান শরথ কমলনা ইন্দিয়া টিমমেট জি সাথিয়ানবু মায়থীবা পীদুনা কমলেশ মেহটানা নেসনেল টাইটল মশিং খ্বায়দগী য়াম্না লৌবগী (নিপান) রেকোর্দ থুগাইখ্রে।



অরোয়বা মিৎকুপ ফাওবা য়াম্না কন্না লম্বা তৌনখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা মালেমগী ৩০ শুবা মফম কল্লিবা শরথ কমলনা মালেমগী ৩১ শুবদা লৈরিবা সাথিয়ানবু২ ৪–৩দা (১১–১৩, ১১–৫, ১১–৬, ৫–১১, ১০–১২, ১১–৬, ১৪–১২) মায়থীবা পীখি।

নাকল অমরোমদনা, নুমিৎ অসিদা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতনা চহি নৌরিবী অর্চনা কমাথনা কম্মনৱেল্থ গেমসকী গোল্ড মেদলিষ্ট মনিকা বট্রাবু সেমি–ফাইনেলদা মায়থীবা পীরম্লবা মতুং ফাইনেলদনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ক্রিটৱিকা সিনহাবু ১২–১০, ৬–১১, ১১–৯, ১২–১০, ৭–১১, ১১–৩দা মায়থীবা পীদুনা অহানবা নেসনেল টাইটল লৌখ্রে।


Proactive Academy
For a Bright Future
of Competitive Examinations (PACE)
TSE/D-15E+M..
GENERAL FOUNDATION COURSE (GFC)
For Banking, SSC & Other Competitive Exams [300 classes]
Class starting on 7th January 2019 *** Timing : 6.30am to 9.00am
Career Counselling & Guidance Class [Timing: 8am to 9am every sunday]
MPSC/UPSC MAINS OPTIONAL SUBJECT
PUBLIC ADMINISTRATION (PA)
Class starting on 7th January 2019 *** Timing : 3.00pm to 5.45pm *** Duration: 6 months
KWAKEITHEL BAZAR, IMPHAL
Phone: 9206319209

SPECIAL CRASH COURSE
GENERAL STUDIES & CSAT (PRELIMS)
FOR THE FORTHCOMING
MPSC Civil Services Preliminary Examinations 2019
Class starting on 16th January 2019
- Morning batch: from 6.30am to 10.15am
- Evening batch: from 3pm to 6.45pm
- Evening batch: from 5.30pm to 8pm
DURATION : 45 DAYS (3 CLASSES PER DAY)
NB: 10% discount for Proactive students
ACHEIVEMENTS IN MPSC EXAMS
1st Position in 2010, 2014 & 2016 MPSC Exams
In 2016 Exams, 54 selected out of 82 posts [1st, 2nd, 3rd, 4th, 9th, ... Positions]
Proactive Academy
For a Bright Future
of Competitive Examinations (PACE)
KWAKEITHEL BAZAR, IMPHAL
Phone: 9206319209
TSE/D-9E+M..





A Unit of RaDiant Group
RaDiant e-ride
GREEN MANIPUR CAMPAIGN WITH E-VEHICLES
BE THE PART OF CHANGE
TSE/2316-16M..
OWN AN E-RICKSHAW BY PAYING INR 50,000 ONLY
RADIANT E-RIDE OPENING SOON AT THOUBAL ATHOKPAM





NISSAN
Innovation that excites
NEW NISSAN KICKS
THE INTELLIGENT SUV
BOOKING OPEN
SUNDAY OPEN
NISSAN INTELLIGENT MOBILITY
360 DEGREE CAMERA
FLOATING 8.0 A-IVI TOUCHSCREEN
FOUR (4) AIRBAGS
LED PROJECTOR HEADLAMPS
210 mm GROUND CLEARANCE
TSE/D-31E+M..
Authorised dealer: ILAND NISSAN
NEAR STANDARD ROBARTH HR. SEC. SCHOOL CANCHIPUR IMPHAL WEST MANIPUR
email: sales@ilandnissan.co.in Contact No: +91 9863919049